# যু এস চাইনাগী মরী ফগৎহনবা ঙমগনি: টেরি ব্রানষ্টাদ

ৱাশিংটন, মে ০৩ : যু এস প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা চাইনাদা অম্বেসেদর ওইনা থানবা খল্লবা টেরি ব্রানষ্টাদনা ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংগী মরী পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মায়কৈ অমদা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

ব্রানষ্টাদনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম, ট্রেদ দিসপ্যুটশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী মতাংদা বৈজিংগা লোয়ননা অচেৎপা ফীরেপ অমা লৌগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

আইওৱাগী গভর্ণর ওইনা ঐহাক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা লল্লোন-ঈতিক্কী মরী থম্নবগী তঙাই ফদবা লৈবগী ফীভম হকথেংননা উখি' হায়না গ্লোবেল টাইমসনা ব্রানষ্টাদকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

যু এস সিনেটকী কনফর্মেসন ফংগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা আইওৱাগী গভর্ণর ব্রানষ্টাদনা হায়খি, মহাক্না চাইনাদা প্রেসর পীদুনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়রগী এম্বিসনশিং কন্ট্রোল তৌবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বসি খঙহনগনি।

মশাগী চহী ৭০ শুরবা ব্রানষ্টাদ এগ্রিকল্চরেল ট্রেদতা চাইনাগা দিকেন্দ কয়া শম্নবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবনি হায়রি।

# কাবুলদা ইস্লামিক ষ্টেটনা নেটোগী কনভোইদা অচৌবা বোম এটেক অমা চথখ্রে, মীওই ৮ শিখ্রে, ২৫ শোকখ্রে

কাবুল, মে ০৩ :

কাবুলদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নেটোগী কনভোই অমদা টার্গেট তৌদুনা বোম পোকখায়হনখ্রে অমসুং এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে অমসুং কোলিসনগী মেম্বর ৩ য়াওনা অতৈ ২৮ শোকখ্রে। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখ্রে।

যু এসকী এম্বেসি অমসুং নেটোগী হেদক্কার্টরসকী মনাক্তা লৈবা লম্বী অমদা অয়ুক্কী অচিনবা মতমদা চত্থরকখিবা বোম্মিং এটেক অদুদা অয়াম্বনা মীচমশিং শিখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা কোলিসনগী সার্ভিস মেম্বর অহুমসু শোকখি হায়না নেটোনা ফোঙদোকখ্রে। মখোয় অহুম্মক শিবা য়াই হায়বগী নুংশা থিনিঙাইদি ওইদ্রে হায়রি।

'ব্লাষ্টতা শোক্লবা কোলিসনগী মেম্বর অহুমগী ফীভম মীপাইনিঙাই ওইদ্রে অমসুং মখোয় কোলিসনগী মেদিকেল ফেসিলিটিশিংদা ট্রিটমেন্ট চত্থরি' হায়না অফঘানিষ্টানদা লৈবা



যু এস ফোর্সশিংগী স্পোক্সমেন অমনা মখোয়গী নেস্নেলিষ্টশিং কনফার্ম তৌদবীদা হায়খি।

ব্লাষ্ট অদু মখোয়না চত্থখিবনি হায়না আই এসনা মসিগী অমাক প্রোপেগন্দা এজেন্সিগী খুত্থাংদা ক্লেম তৌখ্রে। অমাকনা শিরিবা মীওই নিপানমক অমেরিকান লান্মীশিংনি হায়না মখা তানা ক্লেম তৌখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা মিলিটেন্টশিংনা কা হেঞ্জিন্না ক্লেম তৌবসি চৎনবী অমগুম তৌই হায়রি।

এটেক অসি যু এসনা মসিগী খ্বাইদগী চাউবা নন-ন্যুক্লিয়র বোম ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানদা লৈবা জিহাদিষ্ট গ্রুপ অসিগী লোৎফমদা থাদখিবা মতুং চয়োল অহুম লৈরগা চত্থরক্লিবনি।

অফঘানিষ্টানদা লৈবা নেটোগী কম্মান্দর জেনরেল জোন নিকোলসন্না হায়খি, মালেম পুম্বনা কন্দেম তৌনখিবা ষ্ট্রাইক অদুনা লালগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা আই এসকী মফম লৈতে হায়বসি উৎলি।

অফঘানিষ্টানদা যু এসনা অনৌবা ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈ অমসুং নেটোনা টালিবানগী মায়োক্তা ক্রুপশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা খন্নরিঙৈদা এটেক অসি চত্থরকখিবনি।

আই এসনা সুইসাইদ কার বোম অমনি হায়রিবা অমসুং নেটোনদি আই ঈ দি অমনি হায়রিবা ব্লাষ্ট অদুনা কনভোই অদুদা য়াওবা আরমর্দ ভেহিকল অনী অমাঙ-অতা থোকহনখি অমসুং লম্বীদা অপীকপা কোম অমা তৌখি হায়না ৱিটনেসশিং অমসুং এ এফ পিগী ফোটোগ্রাফর অমনা ফোঙদোকখি।

অচৌবা ব্লাষ্ট কয়াদা শোকপা ঙমদ্রবা এম আর এ পি (মাইন রেজিষ্টেন্ট এম্বুশ প্রোটেক্টেদ) ভেহিকলশিং অদু কাবুলগী অকোয়বদা ইন্টরনেসনল ফোর্সশিংনা রুটিন ওইনা শীজিন্নে।

য়ামদ্রবদা সিভিল্যান কার অহুমসু অমাঙ-অতা থোকখি অমসুং মিটর চা কয়া লাপ্পা লৈবা য়ুমগী থোঙনাউ কয়াসু কায়খি। ফায়রফাইটরশিং অমসুং এম্বুলেন্সশিংনা চঙক্লরবা হিংহৌবা মীওইশিংবু হোস্পিটালদা পুখৎখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী রেজিম চিংথুনবা হোৎনরম্বগী মরালদা পিয়োংয়াংনা যু এসকী সিটিজন অমসু ফাজিনখ্রে

সিওল, মে ০৩ :

নোর্থ কোরিয়াগী লৈঙাক চিংথুনবগী পান্দমদা ষ্টেটকী মায়োক্তা ওইবা থৌওং কয়া চত্থরম্বগী মরালদা অতোপ্পা অমেরিকান সিটিজন অমসু ফাজিন্দুনা থম্লে হায়না পিয়োংয়াংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে।

কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না, পিয়োংয়াং য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা একাউন্টিং ইন্সট্রক্টর ওইবা কিম সাং দোক এপ্রিল ২২ দা পিয়োংয়াং ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফাখি। মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা মঙোন্দা শীরিবা মরালদুগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা দিটেল্ড ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

স্কুলদুগী চান্সলর পার্ক চান-মো অমসুং পিয়োংয়াংদা লৈবা স্বেদিশ এম্বেসিনা কিমবু ফাবগী মরমদা পাউ পীখি তৌইগুম্বসুং মহাকপু ফাবগী মরমদি পীবা ঙমখিদে।

স্কুলগী রিপোর্ট অদুনা কিমগী মমিংদা কিম সাং-দুক হায়না তোঙানবা স্পেলিং অমা শিজিন্নখি। কিমগী ইংলিস মিংদি টোনি কিমনি। 'মহাক হৌজিক নোর্থ কোরিয়াদা দিটেন তৌরিবা অহুমশুবা অমেরিকাননি। অতোপ্পা যু এসকী দিটেনিশিংদুনা ওটো ৱার্মবিয়র অমসুং কিম দোং চুননি। ৱার্মবিয়রনা এন্টি-ষ্টেট এক্টিভিটিশিং চত্থরম্বগী মরালদা চহী ১৫ গী প্রিজন টার্ম অমা সার্ভ তৌরি অমসুং কিম দোং চুলনা স্পায়িংগী মরালদা চহী ১০ চূপ্পা ৱানা থবক শূহন্নবা জেলদা থম্লি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা মপানদগী কান্নবা কয়া লৌনবা হোৎনবদা মীরৈবাক্কী দিটেনিশিংবু শিজিন্নবসি তোয়না থোকই। মমাঙদা দিটেনিশিংবু থাদোকহন্নবগীদমক্তা হায়-প্রোফাইল মিসন কয়া থাখিবা লৈখ্রে। নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং উন অমসুং যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী মরক্তা পেনিন্সুলা অদুদা লাল থোকহন্নবগী গেম অমা শান্নরিঙৈ মরক হন্দক চয়োল খরসিদা পিয়োংয়াং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা তাথিনবা হেনগৎখি।

মশাগী চহী ৫৮ শুরবা কিম পিয়োংয়াংগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনরিঙৈদা ফাখিবনি। মহাকমহাক্কী নুপীগা লোয়ননা চাইনাদা ফ্লাইট অমদা পাইমিন্ননবা হোৎনখিবনি হায়না য়ুনিভর্সিটিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

পিয়োংয়াং য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অসি নোর্থ কোরিয়াদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা লন্নাই ওইনা ফন্দিং তৌবা য়ুনিভর্সিটিনি। মসিগী অহানবা ক্লাসশিং ২০১০ দা পাঙথোকখি। মসি ফোরন ষ্টাফ মশিং য়াম্বগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়াদা তোমথিন ওই।

# বৈজিংনা নোর্থ কোরিয়াগী ৱাথোক্কী মতাংদা অমগা অমগা কাইহৌনবা লেপ্নবা পার্টি খুদিংমক্তা আপিল তৌখ্রে

বৈজিং, মে ০৩ : চাইনানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মুক্লবগী ফীভমদা চেন্নরিবা পার্টি খুদিংমক্তা পূক্লিং ফাথনা লৈনবা অমসুং অমনা অমদা নুংঙাইনরোইদবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমসুং থবক অমত্তা তৌনদনবা আপিল তৌখ্রে। লমদম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়াম্না থুনা ন্যুক্লিয়র লাল থোকহনগদৌরে হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা চাইনানা ৱাফম অসি মরী লৈনবা পার্টিশিংদা আপিল তৌখিবনি।

অমরোমদা যু এসনা মালেমদগী তোঙান তারবা নোর্থ কোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা অচৌবা মীচং অমা ওইরিবা চাইনাদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং লাকশিন্নবা অহেনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা তকশিনখি। মালেমগী অথিংবা কয়াবু থৌওইদবা নোর্থ কোরিয়াগী




থৌওংশিংগী পাউখুম ওইনা ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ষ্ট্রেটেজিক পেসিয়েন্সকী মতম লোইরে হায়না চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা থাখি অমসুং হন্দক্তা ইনৌ নৌনা অতোপ্পা পাঙ্গল উৎপগী থৌওং অমদা যু এসকী ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর অনীনা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানিজ এয়রফোর্সশিংগা লোয়ননা ট্রেনিং ড্রিলশিং পাইমিন্নখি।

বোমরশিং পাইবা, ড্রিলশিং অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী রেস্পোন্সকী মতাংদা হংবদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং গুৱাংনা ফীভমদু য়াম্না লুই হায়খি।

'হৌজিক খুদক্তা পায়খৎকদবা থবক্তি টেম্পরেচরশিং হন্থহনবা অমসুং ৱারী শানবা হৌবনি' হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# নেপালগী খ্বাইদগী নহা ওইবী নুপী কেন্দিদেটনা লোকেল মীখলগী চে-চাংশিং ফাইল তৌখ্রে



কঠমন্দু, মে ০৩ : মশাগী চহী ২১ শুবদা ঙাইরিবী নেপালিজ নুপী রঞ্জু দর্শননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কঠমন্দুগী মেয়রগী ফম তান্নবদা য়াওবা খ্বাইদগী নহা ওইবী অমসুং অমত্তা ঙাইরবা নুপী কেন্দিদেট ওইনা চে-চাংশিং ফাইল তৌখ্রে।

চহী ২০ হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা মে ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল ইলেক্সন অদুদা দর্শননা কঠমন্দু মেট্রোপোলিটান সিটি (কে এম সি) গী ফমগীদমক নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌখিবনি। বিবেকসীল নেপালি পার্টিনা হৌখিবা থাদা লাউথোকখিবা 'ওপন কেন্দিদেসি পোলিসী' দা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক মেয়রগী ফমদু কন্টেষ্ট তৌবা পামই হায়বা খঙলবা মতুংদা দর্শনবু পার্টি অসিনা নোমিনেট তৌখিবনি।

লাক্লিবা লোকেল মীখল অদুদা মহাক্না মেয়রগী ফম তান্নবা অমত্তা ঙাইরবা নুপী ওইরি। নেপালগী মীখলগী পুৱারীদা মহাক্না খ্বাইদগী নহা ওইবা কেন্দিদেটনি হায়না পার্টি অসিনা ক্লেম তৌখ্রে।

'লোকেল প্রোব্লেমশিং সোল্ভ তৌবগী মতাংদা জেনরেসন অসিনা মঙলিবা মঙলানবু মঙফাওনহনবদা নহা ওইরিবা অনৌবা জেনরেসনগী মীওইনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়বসি খঙবগা লোয়ননা ঐখোয়না দর্শনবু 'নোমিনেট তৌরে' হায়না বিবেকশীল নেপালিগী চ্যেরমেন উজৱাল থাপানা কঠমন্দু পোষ্টতা হায়খি।

কেপিটেল কঠমন্দুদা পোকখিবী দর্শন দিভ্লপমেন্টষ্টদিজদা বচেলর্সদিগ্রী তল্লিবনি। মহাক্না কঠমন্দুবু লৈবদা নুংঙাইবা অশেংবা মেট্রোপোলিস অমা ওইহনবা পামই।

মে ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবসিনা অহানবা ফেজগী লোকেল ইলেক্সন ওইরগা অনীশুবা ফেজনা জুন ১৪ দা পাঙথোক্কনি।

# চাইনানা ৱিকিপিদিয়াগা লম্বা ওইগদবা মশাগী এনসাইক্লোপিদিয়া হৌদোক্লগনি

সাংহাই, মে ০৩ :

চাইনাগী ইন্টরনেট শীজিন্নবশিংগী ইনফোর্মেসন লৌফম ওইবা য়াগদবা অমসুং ৱিকিপিদিয়াগী লম্বা ওইবা য়াবা 'কলচরেল গ্রেট ৱাল' অমা শাবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মথং চহীদা মশাগী ওনলাইন এনসাইক্লোপিদিয়া অমা হৌদোক্লবা থৌরাং তৌরি। মপানগী ঈথিলশিংনা চাইনাগী ইন্টরনেট শীজিন্নবশিংবু অরান-অহুইগী ৱাখলশিং পোকহনগদৌরে হায়বগী মীপাইবা অমগা লোয়ননা বৈজিংনা খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি।

মীয়ামগী ৱাখল লমজিং-লমতাকপা ঙমগদবা মশাগী এনসাইক্লোপিদিয়া অমা ইজনবগী প্রেসর অমা চাইনিজ ওথোরিটিশিংগী মথক্তা লৈরে হায়না প্রোজেক্ট অদুগী ইগজিক্যুটিভ এদিটর য়াং মুঝিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি। য়াং মুঝিগী ষ্টেটমেন্ট অসি হৌখিবা থাদা চাইনিজ একাদেমী ওফ সাইন্সেসকী ৱেবসাইটতা ফোঙখিবনি। মহাক্না মমাঙদা চাইনাদসু ফংলিবা ৱিকিপিদিয়া অমসুং বৃটেনগী এনসাইক্লোপিদিয়া বৃটান্নিকাবু রাইভেলশিং ওইরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং প্রোজেক্ট অদুনা মখোয়দগী য়াম্না হেন্নবগী পান্দম থল্লি হায়খি। মসি মহাক্না হৌখিবা চহীদা ইখিবা আর্টিকল অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ষ্টেটনা পায়রিবা চাইনা পব্লিসিং গ্রুপকী লমজিং লমতাক মখাদা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসি চাইনিজ করেক্টেরিষ্টিক্স চেনগনি অমসুং লৈবাক অসিগী কলচরেল অমসুং টেক্নোলোজিকেল দিভলপমেন্ট লোয়ননা লৈবাক অসিনা সোফ্টপৱার অমসুং মালেমদা ঈথিল পীবা হেনগৎলকপগী সিম্বল অমা ওইরগনি হায়না মহাক্না ইখি।

ভোলন্টিয়রশিংনা ইবা অমসুং তত্তনা রিভাইজ তৌবা ৱিকিপিদিয়া অমসুং মসিগী চাইনিজ ভর্সন বাইদু বাইকেগা মান্নদ্রিবদি চাইনাগী অনৌবা প্রোজেক্ট অসিদি লোইনমক প্রোফেস্নেলশিংনা ইগনি। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপগী ৱাফম হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা এপ্রুভ তৌখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা প্রোজেক্ট অসি কম্পাইল তৌগদবা স্কোলর অমসুং একাদেমীক ২০,০০০ হেনবগী লিষ্ট অমা শেম্লে। প্রোজেক্ট অসিনা মথং চহী ২০১৮ দা লোঞ্চ তৌবা ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ৩,০০,০০০ হেনবা ঙম্নবগী পান্দম থল্লি।


## ꯑꯍꯥꯏ/দাইবেটিস ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ-খুৎ পোন্বা, চৎপা ঙমদবা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, তাং-তাং চিকপা, অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপা, খ্বাঙ নাবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা, ঈশিং চৎপদা য়াম্না শাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা* : **Thokchom Lukhoi Singh**
*Thangmeiband Sinam Leikai*

HL-P/1081/4

## ꯑꯍꯥꯏ/অমাঙথোং মপান্দগী খরা হঞ্জিল্লগা উরিংমুক চাউবা অমা তংলগা লৈবা, তংলগা লৈবা অদুদগী খোঙ হাম্বদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাঙথোং মনুংদা শাবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং মপান্দগী খরা হঞ্জিল্লগা উরিংমুক চাউবা অমা তংলগা লৈবা, তংলগা লৈবা অদুদগী খোঙ হাম্বা মতমদা অমাঙবদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বা লোয়রগসু ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা তংলগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা লোয়রবা মতুংদসু য়াম্না শাবা, ফিঙৌ য়াম্না চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ফিনুংদা হাক্কৎচবা, মনম নমথিবা, কোক ঙাওবা, ফমদিন্নবগী অপাম্বা ইরৈ লৈতবা, খ্বাঙ, তাং তাং চিকপা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মপোকসিমগী কাউজরোই লোয়ননা মহাকপু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম* : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

*থাগৎচরিবী* : **Ph. Rakha Khetri Yangbi**

HL-B/3821/4


# ইস্লামিক ষ্টেটনা মীচমশিং লৈবা কেম্পতা এটেক তৌদুনা মীওই ৪০ রোম হাৎখ্রে

বৈরুট, মে ০৩ : ইরাকি অমসুং সিরিয়ন মীচমশিংনা নোর্থ ইষ্টর্ন সিরিয়াদা খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফম থিবগী চখোক-চৎশিনদা তোয়না শীজিন্নবা ক্রোসিং অমদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা হান্না ইথা থাজনখিদবা থৌওং অমদা এটেক চত্থখ্রে অমসুং অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭ শিখ্রে হায়না কর্দিশ ওফিসলশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কর্দিশ কাঙলুপনা কন্ট্রোল তৌবা হশাকেশ প্রোভিন্সপু খা থংবদা চঙশিল্লগা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা পায়শিল্লিবা এরিয়াশিংগা খায়দোক্লরিবা ফ্রন্টলাইনগা তাইননা লৈবা রাজম সলৈবী ভিলেজদা মিলিটেন্টশিংদুনা য়ুমশকৈশাগী নোঙাল্লমদাইদা এটেক তৌখিবনি।

মিলিটেন্ট খরদি কর্দিশ চেকপোইন্ট অমদা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হনখি অমসুং অতৈনা মনাক নক্লা লৈবা টেম্পররি কেম্প অমদা তুমদুনা লৈরিবা মীচমশিংদা এটেক তৌখি। কেম্প অদুদা ইস্লামিক ষ্টেটনা কন্ট্রোল তৌবা টেরিটরিদগী ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেল্লকখিবা মীওই চা কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি হায়রি।

হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী ইরাকি সিটি মোসুলদগী নোংচুপ পাংনা সলৈবী ক্রোসিংদা মীওই লিশিং কয়া চঙশিন্নখি হায়না ইন্টরনেসনল রেস্ক্যু কম্মিটিনা ফোঙদোকখি।






## EMPLOYMENT NEWS

### HAL Recruitment – Hindustan Aeronautics Limited – 500 Trade Apprentices Vacancies – Last Date 15 May 2017

**HAL Recruitment 2017**
Hindustan Aeronautics Limited (HAL) invites application for the post of 500 Trade Apprentices. Apply Online before 15 May 2017. Qualification / eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : HR/NK/KP/Appr/2017

**HAL Job Details :**
Post Name : Trade Apprentices
No of Vacancy : 500 Posts

**Trade Wise Vacancies :**
Fitter : 285 Posts
Turner : 12 Posts
Carpenter : 06 Posts
Machinist : 15 Posts
Welder (Gas & Electric) : 20 Posts
Electrician : 63 Posts
Mechanic (Motor Vehicle) : 08 Posts
Draughtsman (Mechanical) : 10 Posts
Electronics Mechanic : 04 Posts
Painter (General) : 12 Posts
PASSA : 65 Posts

**Eligibility Criteria for HAL Recruitment :**
Educational Qualification : Passed ITI in the relevant trade.
Age Limit : As per HAL Rules

**Job Location : Nashik (Maharashtra)**

**Selection Process :** Selection will be based on Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply HAL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.apprenticeship.gov.in on or before 15.05.2017. And Ex-ITI (NCVT) candidates applying under XSM Quota are required to submit the documents in prescribed application form along with copies of relevant documents send to Deputy Manager (Training), Training and Development Institute Hindustan Aeronautics Limited, Aircraft Division, Ojhar, Tal- Niphad, Dist. Nasik – 422207 on or before 15.05.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 15.05.2017
Last Date for Submission of Offline Application form : 15.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://hal-india.com/Common/Uploads/Resumes/586_CareerPDF1_ITI_Apprentices_HAL_Nasik_Apprentices_Engagement_2017_18.pdf

**Apply Online :** http://www.apprenticeship.gov.in/Pages/Apprenticeship/ApprenticeRegistration.aspx

### North Eastern Postal Circle Recruitment – 748 Gramin Dak Sevak (GDS) Vacancies – Last Date 24 May 2017

**North Eastern Postal Circle Recruitment 2017**

North Eastern Postal Circle invites application for the post of 748 Gramin Dak Sevak (GDS). Apply Online before 24 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : EST/6-145/2016-17

**North Eastern Postal Circle Job Details :**
Post Name : Gramin Dak Sevaks
No. of Vacancy : 748 Posts
Pay Scale : Not Specified

**Community wise Posts :**
UR : 372 Posts
OBC : 34 Posts
SC : 43 Posts
ST : 299 Posts

**Eligibility Criteria for North Eastern Postal Circle Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate should pass 10th standard from approved state boards by the respective State Govt. / Central Govt.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 18 to 40 years as on 24.05.2017
Age Relaxation : SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PWD Category 10 years

**Job Location : North Eastern Circle**

**Selection Process :** Only marks obtained in 10th standard of approved Boards aggregated to percentage to the accuracy of 4 decimals will be the criteria for finalizing the selection.

**Application Fee :** OC/OBC Male candidates have to pay Rs. 100/- at any Head Post Office. Candidate who requires to make the payment has to visit any Head Post Office to make the payment. fee payment is exempted for all Female and SC/ST candidates.

**How to Apply North Eastern Postal Circle Vacancy :** Candidates may apply online through the website https://indiapost.gov.in OR http://www.appost.in/gdsonline form 25.04.2017 to 24.05.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 25.04.2017
Last Date for Submission Of Online Application : 24.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Apply Online Link : http://www.appost.in/gdsonline/